## এডিটোরিয়েল

### হৈত্রবদি হৈত্রে হায়বা তাবনি

খঙদ্রবদি অখঙ অহৈগী মতসু মতম মতমগী লৌবা তাবনি। য়াম্না লুশিল্লকপা তানফমদা ফাগী তাহনবগী হৈনবী, চৎনবী মীগী মমাংদা ইকাইনিঙাইনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুর অসি নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরুওইবা ষ্টেট অমনি হায়না লৌবা তারগসু লূক ইষ্ট পোলিসি অমদি অনৌবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অমা লাকপা মতমদা ওহ্নোরকপা 'এক্ট ইষ্ট পোলিসি' অসিগী মখাদা অতোপ্পা ষ্টেট কয়ানা খুদোংচাবা কয়া লৌখিবা মতমদা মণিপুরদি শোয়দনা খুদোংচাবা ফংগদবনি হায়দুনা ষ্টেট অসিনা খ্রোঙ্গ্রাই নিক্তুনা লৈরে। মসি অতোপ্পা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা পায়খৎখিবা থৌরাংশিং অমদি মদুনা খুদোংচাবা কয়া ফংহনখ্রবা প্রোজেক্টশিং অদুনা অদুমক তাকচরবনি। হৌজিক মণিপুরদদি এসিয়ান হায়ৱে নম্বর ২ হায়রগা খঙনবা ইম্ফাল– মোরে লম্বী অসি ফাওবা চপ চানা ইন্টরনেস্নেল হায়ৱে অমা ওইবগী মরমচৎশিং অদু শুনা য়াওবা নৎত্রি। মসিদি চৎথোক –চৎশিন তৌরিবা মীয়াম্না অদুমক থেংনরিবা থৌওং অমনি। অসিগুম্বা লম্বী অমদা চেক পোষ্ট কয়া অমা লৈরিবা লম্বী অসিদা ইচম –চম্না লল্লোন ইতিক তৌবা মীওইশিংনা নোংমগী মনুংদা লাম্নোরকপা হায়বসি য়াম্না লুবা মতম নাইবা থৌওং অমা অদুমক ওইরি। মসিদা মণিপুরগী কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা চহীশিং অসিদা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার গভর্নমেন্টনা য়ান্নখিবা পোৎলম ১৯ গী মতাংদা পুথোক পুশিন তৌবা অসিদা অথিংবা মরক–মরক্তা লৈরিবসি করিনো হায়বসু থিজিন্দে অমসুং লল্লোন ইতিক তৌরিবা কাঙবুগীদমক লেপ্পসু ঙমদে। মসি নত্তবদা অহেনবা পোৎলম কয়া ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা য়াবা অমদি মদুগী দিমাগু অদুসু মণিপুরদা নৎত্রগা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লৈবা তারবসু মদু মরী লৈনবা ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা পোৎলমশিং অদু পুশিল্লকপা য়ানবা তক্লবগী মওং উদে। শম্না হায়রবদা দিপার্টমেন্ট অসি মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট খঙনা থবক তৌবা দিপার্টমেন্ট অমদি ওইদে অমসুং দিপার্টমেন্টশিংঅসিদা লৈরিবা ওফিসিয়েলশিং অসি ইন্নোভেটিব আইদিয়া অমত্তা লৈতবনা মরম ওইরগা লল্লোন –ইতিক্তা থোইদোক্লা হৈশিংলবা মীওই অমনা মিনিষ্টর ওইরবা ফাওবদা খ্বাইদগী শেনফম লিক্লা থাদবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইরি। মসি দিপার্টমেন্ট পুরিবা মীওইশিংনা হৈথোই–শিংথোইবা ৱাৎপদগীনি হায়না লৌবা তাবনি। হৌজিক মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা শীন্দুনা অহানবা মণিপুর কম্মর্সিয়েল এক্সপো অমা পাঙথোকখিবদু দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা হৈ–শিংলম্বা তারগদি হেন্না মায়–পাকপা অমা ওইহল্লম্বা য়াবনি। অদুবু এক্সপো অদি কয়ামুক য়াম্না শেল চঙগদবা অমসুং মরুওইবনো হায়বদু মিনিষ্টর অমদি দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নরখক্তনা খঙবা মরম্না এক্সপোসি শীন্নবগীদমক অমসুং সাউথ এসিয়ান বিজিনেস সম্মীট অসি মায়–পাক্লা পাঙথোক্লবগীদমক লৌখৎলকপা থৌরাং খুদিংমক্তা মিনিষ্টর মশা অমসুং কম্মিস্নার মশা চেন্নদুনতা লৈবগী ফিভম অমা লৈহল্লিবসি দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা মথৌ খঙদবদগীনি হায়না লৌবা তাই। বিজিনেস সম্মিট অদুগী মতাংদা করম্বা ফিভমদা লাক্লবগে হায়বসি দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা খঙলমগদবা মান্দে। মসিগী মরমদি ষ্টেটসিদা লৈরিবা কোর্পোরেট হাউসশিংগী মনুংদা করম করম্বা বোর্ডিশিংনা খ্বাইদগী হেন্না ফাইনান্সিয়েল মেনেজমেন্ট তৌরিবগে অমসুং আর বি আই গী নৎত্রগা নেদফি গী এৱার্দশিং ফংলবগে হায়বসি কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টনা খঙদে হায়বসি হন্দক্কী এক্সপো অমসুং বিজিনেস সম্মিট অদুদা বার্ত্তন তৌরিবা মীওইশিং অদুদগী খঙবা ঙম্মী।

মশাগী ষ্টেট অমদা লৈবা বিজিনেস হাউসশিংগী চখরিবা থবক থৌওংশিং অদু ফাওবা মুন্না খঙদবা তারগদি ষ্টেটসিগী মরী লৈনবা লল্লোন ইতিক্কী থবক পান্নরিবা দিপার্টমেন্ট অসিবু পায়রিবা মীওইশিং অসি মতিক চারে হায়না লৌবা য়াৱা অমদি লৌফম থোকপরা হায়বা অসি হংনিংই। অদুগুম্বা মীওইশিং অদুনা পায়বা দিপার্টমেন্ট অদু মতিক চাবা মীয়ামগীদমক খল্লগা থবক পায়খৎপা দিপার্টমেন্ট অমনি হায়না লৌবা য়াবরা হায়বসি মরী লৈনবা মিনিষ্টরনসু চাওরাক্লা পাথোক্লস্নগনি হায়না মীয়াম্না খল্লি। মশাগী ষ্টেটতা অচৌবা শেনফম কয়া ইনভেষ্ট তৌদুনা মীওই কয়া অমা থবক পীদুনা হিংহল্লিবা কোর্পোরেট হাউসশিং অদু আইদেন্টিফাই তৌবা ঙমদবা তারগদি অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েলএক্সপো অমদি বিজিনেস সম্মিট অসি পাঙথোকপগী কান্নবা করিনো। মরুওইনা ষ্টেটকী ওইনা স্পোন্সর তৌরিবা দিপার্টমেন্টনা মশক খঙদবা মীওইশিং অদু ইন্দিয়ান চেম্বর ওফ কম্মর্সনা শক খঙদুনা বার্ত্তন তৌরকপা হায়বসি ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংগী খ্বাইদগী শোনবা মফম খরা লৈ হায়বদু থিন্দুনা তাকপগা চপ মান্নে। মসিদি লল্লোন ইতিক্কী দিপার্টমেন্টনা লল্লোনবা হৈতবা অমদি লল্লোন ইতিক তৌরিবা মীওইশিং অদু মশক খঙদবদগী থোকপনি হায়না লৌবা তাবনি।হৌখ্রদি হৌখ্রে অদুবু ষ্টেটকী ওইনা মায় খুনবা থৌরম পাংথোকপদা অতোপ্পা লমগী মীনা করি খনখিনি হায়বদুদি মণিপুরি অমা ওইনা খঙজিনগদবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### থাবল চোংবসিগী অথোই অহেন পিগদৌরিব্রা

ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

লিলা ড্রামা কমপিটিসন য়াওরমদাইগী রিয়ারশেল তৌবদৌনা নুমিৎ খুদিংগী মফম হোং–হোংদুনা কন্না পাংথোক্লিবা থাবল চোংবশিবু প্রাইজ পীগদৌরিব্রা। লম্পাক লৌবুক অমদি অহাংবশিংদা চোংনরম্বদগী মাঙপতা চোংনবসু হৌরক্কে। তশেংনা চোংহৌদবা য়াদবগুম্না লৈকায় খুদিং লম লাপ্পা নকপা লেপ্তুনা চখবসিনি য়াম্না ঙকইবসি। লমদমসিগী সংস্থান কয়ানা অথিংবা কয়া অমা থমলকখ্রবসু হন্দে থাবলগী শক্তিসিনা কনখিবনা। লাইরিক তমগেরা পরিক্ষা লৈগেরা লৈরোইরা ঐখোয়দি থাবল চোঙহৌদবা য়াদে হায়বা মতাগুম্না নুপি অঙাংশিং চীনফেল ফবীশিং খূৎনবু হায়রিবা চিন্না ঙাংইবা মমিৎ মনা শুকতোক্লদুনা মচা মৱা শুমজিনবতা নত্তনা লৈকায় নুপা নুপীশিংসু পংথরিবনি। চুমদা চুমলমগনি খনখিবদগী মচাগী পরিক্ষা লৈ হায়বফাওবা কাওহনবা ঙমইবনি। হায়রিবা চিনফেন ফবীশিং মখোয় মখোয়গী ৱাখলদা মখোয়না নিংইবশিং পাংথোক্লবা হোৎনবসিনি। ঙসিগী লৈঙাক্লা তশেংনা লমদমসিগী পুৱারি য়াম্না মমুৎ তানা খৎবা ঙমদবদগী অসিগুম্বা চীনফেন ফবীশিং কয়ানা মনিং তমলি। হোয়! হায়নৈ নুপী অঙাং ষণ ব্রাহ্মন লুনা চান্না তৌরবদি লঙজখিবা ইরালগী পাপ কোকই হায়বা। অদুবু ঙসিদি হায়রিবশিং অসি মতম অসিদদি লোইনা লাল্লক্কে। মতম অমদা ষণ হায়বা য়ুমদা লোইবা জীবসি য়াম্না লূনা চান্না লোইনরম্মী। অদুবু ঙসিদি ষণ হাৎলগা চাবা অমদি লৈকায় অয়াম্বদা খুলশিং হিদাক থকফমদা থওইনা শেমদুনা মমল তাঙনা য়োল্লে। হৌজিক্কী মতমসিগী নুপি অঙাং মমাংঙৈ মতমদুদা লৈরকখিবা নুপী অঙাংশিংগী ৱাখল্লোন খেন্নরিবশিং অদুগা মতমদুগী লৈরকখিবা ব্রাহ্মনশিং হৌজিক্কী ওইরকইবশিং চাম্মদ চাম্মা খেন্নরে। হৌজিক লমদমসিগী নুপী অঙাংশিং ইথক সরাংদা ফীজেৎ চাকচাদা মশাগী আইডেন্টিটি ঙাকচবা ঙমশিল্লক্ত্রে। আইডেন্টিটি ঙাক্লনবা মাইকৈ কয়াদগী পুথোক্লরকখ্রবসু থবক ওইনা ওহ্নোকহন্নবা হোৎনবদা অরুবা অমা ওইরি। লমদমসিদা অফবা অমা ওইহন্নবা হোৎনরুবা খুদিং থাজবা ঙমশিল্লক্তবনা লমদমসিদা মীতোপ ওইদুনা লাকইবা কয়ানসু কা হেনবা লিচৎ শাজৎ শাফোংলক্লি। ঐখোয়গী ফুরুপ অসি মতিং লৈনা হিংহন্নবা থৌদাং খন্নবা তারবদি ঐখোয় ইশাগী আইডেন্টিটি ঙাকপা ঙম্বা হান্না চঙই। মসি মতমসিগী নুপী অঙাংশিং য়াওনা চংশিনমীন্নবা চঙই লোইননা মপা মমাশিংগী থৌদাংসু য়াম্না দরকার ওইরি। য়াওশংগী মখাতারকপা থাবলগী ইরাংনা মণিপুর কনবা ঙমগদবা নত্তে হায়বসিদি ইরাং পাম্বশিংনা খংজিনবদি চুমগনি থাজে।

অদোমগী
কে ইমো মৈতৈ
ইম্ফাল

## হিন্দু ধর্ম্ম অমসুং মসিগী সম্প্রদায়শিং–১

হিন্দু ধর্মবু তোঙান–তোঙানবা মীৎয়েংদা থাজনবা সম্প্রদায় (ফুরুপ) শিংগী অমদি তোপ্প–তোপ্পবা দর্শণ (ৱাঙুলোন) শিংগী পুনশিনবনি হায়নৈ। ধর্মসিবু শক খঙদ্রিবশিংনা ৱাফম অসি খঙলকপদা পুমঙক ঙক্লা থোকই। ঋগ বেদদা লাউরি, "একম্ সৎ বিপ্রঃ বদন্তি" (অচুম্বদি অমত্তনি অদুবু অখঙবশিংনা কয়া থোকনা হায়।) মসিমক্লি হিন্দু ধর্ম। তোঙান–থোঙানবা দর্শণশিং নৎত্রগা মীৎয়েংশিংবু অশিংবশিংনা অমত্তা ঙায়রবা মপু অদুতবু তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী তাকপখক্তনি খল্লি অদুগা অপঙবশিংনা মানা মানা খঙঙুরিবদুখক্তনা চুম্মী খন্দুনা হৌই। মসিদি মশানা তাবনি, মমুন ফাদ্রিবা হৈগী মহাও ময়েক শেংদবগুম্বনি। থন্দবা চফুনা মখোল থোকচবনি। অহাত্মশিংনা অসিগুম্বা ঙাওচৎনবা মীওইশিংসিবু অদ্যাত্মাগী অঙাং হায়না নুংশিনা কৌবি। হায়মল্লোই, মদুদি ধর্মমত ময়ামগী অপুনবদু হিন্দু ধর্মনি। সম্প্রদায় অমগী মীৎয়েং অদুখক্তনা মপুং ফাজরবা অদুগুম্বা সম্প্রদায়শিংগী অপুনবদু সনাতন ধর্মনি।

মপুংদা হিন্দু সম্প্রদায় অহুমনি – বৈষ্ণব, শিব অমসুং মাগী লাংওনশিং থাজববু শৈব লোয়ননা দেবী, অমসুং মাগী লাংওনশিং থাজববু শাক্তা কৌই। অসিদগী হেন্দোক্তুনা সুর্য্যদেব থাজবা কাঙবুবু সৌর্য্যা, গণেশপু থাজবা ফুরুপ্পু, গণপত্য, কার্ত্তিকপু থাজবশিংবু কৌমার – অসুম্না মানা মানা অথোইবা ব্রহ্মদুমক্লি হায়না থাজরুবা দেব–দেবী অদুগী মমিং লৌদুনা ফুরুপকী মমিং থোন্নে। মসিদগী হেন্দোক্তুনা আর্য্যসমাজ, বৌদ্ধ, জৈন, শিখ, ব্রহ্ম সমাজ নচিংবা কাঙবুশিং অসিসু হিন্দু ধর্মগী মশা মরেংশিংনি, মরমদি মখোয়শিংসি হিন্দু ধর্মদগী হৌখিবনি। হৌজিক বৈষ্ণব, শৈব অমসুং শাক্ত হায়বা সম্প্রদায় অহুমসিগী মশা মরেংশিংদু খজিক্তং নৈনসি।

বৈষ্ণব সম্প্রদায়দা শ্রী, রামানন্দি, রুদ্র, চৈতন্য, নিম্বর্ক, মাধব অমসুং রাধা বল্লভী হায়বা সম্প্রায় তরেৎ থোক্লা লৈ। হায়রিবা তরেৎ অসিগীসু অমুক মশা মরেং কয়া লোঙথোকখিবনি। খৃষ্টাব্দগী ১২ শুবা শতাব্দীগী ময়ায় চল্লকপদা রামানুজ আচার্য্যনা হৌদোক্লম্বা বৈষ্ণব সম্প্রদায়বু শ্রী সম্প্রদায় হায়না খঙনৈ। শ্রী বৈষ্ণব হায়নসু কৌনৈ। মখোয়না লক্ষ্মীনারায়ণ নীঙই অদুগা ময়েক নীপানগী মন্ত্র 'ওঁ নমো নারায়ণায়' হায়বসি ইষ্ট মন্ত্র ওইনা লৌনৈ। মমৈদা সম্প্রদায়সিসু বাদগলাই অমসুং তেঙ্গলাই হায়না অনী থোকখি। অহানবগী কাঙবুসিনা 'মরকতন্যায়' (য়োং মচাগা মপীগা লৈনবা মরী) অদুগা অকোনবগীনা 'মরজর–ন্যায়' (হৌদোং মচাগা মপীগা লৈনবা মরী) দা ভক্তি তৌগদবনি হায়না লৌনৈ। লাইবক্তা থিনবা চন্দনগী মতাংদসু অনীসি খরা খেন্নৈ, অহানবা (বাদগলাই) কাঙবুনা গঙ্গাগী হৌফম শ্রীবিষ্ণু ভগবানগী য়েৎথংবা পাদচিহ্ন (খোঙগী মতৌ) ওইনা লাইবক্তা অঙৌবা লৈই অনী চিংথরগা পীশুম অনীগী মখাদা কোল্লপ্পা শমজিন্নৈ। ময়ায়দা লক্ষ্মীগী খুদম ওইনা অঙাংবা লৈই অমসু চিংই। অকোনবা হায়বদি তেঙ্গলাই কাঙবুনা অঙৌবা লৈই অনীদু পীশুম অনীগী মখাদা কোল্লপ্পা শম্নরগা নাতোন্দা অঙৌবা চন্দন্না অমুক চিংথৈ। কাঙবু অনীমক্লা শঙ্খ, চক্রনচিংবা বিষ্ণুগী খুদমশিংবু পাম্বোমদা, থবাক্তা, লেংবান্নচিংবা মফমদা ছাপা ওইনা থাবদি মান্নে।

রামানন্দ কৌবা রামানুজগী শিষ্য অমদগী রামানন্দি সম্প্রদায় শন্দোকখি। খৃষ্ট শতাব্দী ১৪ শুবা অদুৱাইদা সম্প্রদায় অসি চাওখৎলকখি। মখোয়না শ্রীরাম, সীতা, লক্ষ্মন অমসুং হনুমানবু নীঙই, পুজা তৌই। বল্লভাচার্য্য কৌবা মহাত্মা অমা খৃষ্ট শতাব্দী ১৫ শুবদা ফাওরকখি। মহাক্কী মত ইনবশিংবু বল্লভচারী নৎত্রগা রুদ্র সম্প্রদায় হায়না খঙনখি। মখোয়না ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী অঙাং ওইবগী মুর্ত্তিবু লাৎলি। মখোয়না মঙ্গল, শৃঙ্গার, গ্বাল, রাজভোগ, উত্থাপন, ভোগ, সন্ধ্যা, শয়ন হায়না মখল নীপান থোকপা সেবা মওংদা বাল–গোপালবু পুজা নুতিগী তৌই। চন্দন অঙাংবা থিল্লি, শ্রী সম্প্রদায়গী মওং মান্নে, খেন্নবা হায়ববু ময়ায়দা অঙাংবা চন্দন গী বিন্দু ওইনা থিল্লি। বেঙ্গলদা খৃষ্ট কুম ১৪৮৫ দা গৌরাঙ্গ পোকখি অমসুং মহাক্লা মশাগী চহী ২৪ শুবদা সন্ন্যাস লৌখি। মহাক্কী মতুং ইনবা কাঙববু চৈতন্য সম্প্রদায় কৌই। শ্রীকৃষ্ণগী নাম শোনবনা অথোইবা সাধনানি। গোপীচন্দন থিল্লি। লাইবক্তগী চিংথরকপা লৈই অনীনা নাখাংদা কোল্লপ্পা শম্নরগা মদুদগী অমুক নাতোন ফাওবা চিংথবা থবাক, পাম্বোম্নচিংবা মফমশিংদা মুদ্রা ছাপা থাবা চৎনৈ। তুলসী কাষ্ট পরেং অহুম খৌরী নপ্পা শি। নিম্বর্ক নৎত্রগা নিম্বাদিত্য হায়রগা খঙনখিবা ভাস্করাচার্য্যগী তুংইনবা কাঙববু নিম্বর্ক সম্প্রদায় কৌনৈ। মখোয়না হঙ্গামপাল মচুগী চন্দন থিল্লি। নাতোনদা চিংথদে। মদুবু বিষ্ণুগী চরনচিহ্ননি খন্নৈ। রাধাকৃষ্ণ উপাসনা তৌই। মাধব নৎত্রগা ব্রহ্ম সম্প্রদায় হায়রগা খঙনবা কাঙবুসিনা আনন্দ তীর্থ অমসুং পুর্ন প্রাজ্ঞ হায়নসু কৌনবা শঙ্করাচার্য্যগী মত য়াখিদবা মাধবাচার্য্যগী তুং ইনবশিংনি। মহাক খৃঃ ১২০০ দা পোকখি। শঙ্করাচার্য্যগী অদ্বৈত দর্শনগী ওন্ন তৈনবদা হায়বদি দ্বৈতবাদ থাজবা কাঙবুনি। ভগবান কৃষ্ণবু পুজা তৌই। মখোয়গী থবাক অমসুং পাম্বোমশিংদা বিষ্ণুগী চিহ্নশিং য়োৎ শাহল্লগা নমশিল্লি, মদুনা মতম চুপ্পগী ওইনা মশাদা বিষ্ণুচিহ্ন লৈতেংদুনা লৈহল্লি। গোপীচন্দন্না বিষ্ণুপাদচিহ্ন লাইবক্তা থিল্লি। হরিবংশগী তুংইনবা কাঙবুবু রাধা–বল্লভী সম্প্রদায় কৌই। মখোয়না শ্রীকৃষ্ণবু রাধা–বল্লভ হায়না খল্লি।

মখোয়গী মথক্তা চরণ দাসী, দাদু পন্থী, চরি চণ্ডি, কবীর পন্থী, খাকী, মালুক দাসী, মিরা বাঈ অসিনচিংবা পুম্নমক বৈষ্ণব সম্প্রদায় মক্তনি। মখোয় পুম্নমক শ্রীমদ্ভাগবতম অমসুং শ্রীকৃষ্ণ নৎত্রগা শ্রীরাম নুংশিজবা মক্তনি। বিষ্ণু অমসুং মাগী লাংওনশিংদা থাজবা কাঙবুনি। সম্প্রদায় খুদিংমক্লা মাগী মাগী লুচিংবশিংবু ভগবানগী লাংওনশিংনি হায়না লৌনৈ। মদুদি চৈতন্য দেববু শ্রীকৃষ্ণগী অবতারনি হায়না গৌর সম্প্রদায় না খন্নরিবসিনি, অদুগুম্না অতৈবুসু মাগী মাগী তুং ইঙ্গবশিংনা অদুম্না খন্নৈ। শঙ্করবু শিবগী, বল্লভবু কৃষ্ণগী মাধববু বায়গী, নিম্বর্কবু সুর্য্যগী অবতারনি অসিনচিংবা।

*মখা মথাং লৈবাকপোকপদা ...*

ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা

## যোগ অমসুং ইস্লাম

*ডা. ইমরাম চৌধরী অমসুং অভিজীৎ সিংহ*

মমাং লৈবাকপোকপগী মখা...

মীওইবগী পূক্নীং, বুদ্ধি অমসুং হকচাং ফনা থন্নবগীদমক দরকার ওইরিবদু শীজিন্নবা য়াবগী তাকীদ (ইনগদবা ৱা তাকপা) নবী (লাইগী দুত–মোহম্মদ)না মহাক্কী পাউতাকশিংদা পল্লি। মহাক্লা অদুগুম্বা পাউতাক পীবা মতমদা মদুমদি অরবকী পোৎ নত্তে হায়বনচিংবগী মরী লৈনবা অমত্তা পন্দে। মসিগী মতাংদা খুদম কয়া পীবা য়াই। মহাক্লা অরবীশিংদা কিস্তলবহরী, শিং, কস্তরী অদুগা হৈখাগোক (সফরজল) শীজিন্নবা য়াই হায়বীখি। লায়েংবগী কান্নরবা হিদাক কিস্তলবহরীগী চারদি হিন্দুস্তান্দা ফংই। ললোনবশিংনা চারশিংদু অরব য়ৌহনখিবনি রসূলন মহাক্কী হদীসশিংদা মখোয়সি শীজিন্নবগী ৱা পল্লি। অচম্বা লোক লাইহৌগীদমক্তা হায়নবদা হিন্দুগী থবী অফবা হীদাক ওইনা লৌনৈ। জঞ্জবীল (শিং হিন্দুস্তান্দগী পুথোক্লগা মালেম পূম্বদা শন্দোকখ্রি। রসূলনা মসি শীজিন্নবগী অথিংবা মহাক্কী তাকীদ তৌবীরমদে। কন্নৌজগী নিংথৌ পাতক্কী ৱাফম নীংশিংই, মহাক্লা নবীগা লোয়ননা অচৌবা মীশিংগা উনখি অমসুং মহাক্লা নবীগীদমক অথোইবা খুদোল ওইনা শিংগী অচার থাখিরম্মী অমসুং মদুবু য়াম্না পান্না চাখি অদুগা মাগা লোয়নবা অচৌ অশাংশিংদসু পীজখি। কস্তরী মনম নুংশিবা পোৎনি, মসিদি হিমালয়গী উমংশিংদা কোয়না চত্তুনা লৈবা কস্তুরী শজীগী খোয়দৌদগী ফংবনি। মহাক্লা (নবীনা) মনমগীদমক কস্তুরী শীজিন্ননবগী ৱাফম পীখিবা লৈ। সফরজল হায়বদি হৈখাগোক হায়বসি মরুওইনা হিন্দুস্তান্দা হৌবনি । নবীনা মাগী য়াথংদা হায়বীখি মদুদি হৈখাগোক চাও মসিনা থবাক চিনবা ফহল্লি। মসিদগী তশেংনা খুদম ওইরে মদুদি রসূলনা করিগুম্বদা মহাক্কী পাউজেলশিংদা মাগী লমগী নত্তবা শীজিন্নবা য়ারোই হায়বনচিংবা অমত্তা পীবীরমদ্রবদা ঐখোয়বু কনা ওইগদগে, ঐখোয়না মীওইবগী পূক্নীং, বুদ্ধি অমসুং হকচাংগী খ্বাইদগী কান্নরবা যোগগুম্ববু খন্দোক্তুনা শীজিন্নবা য়ারোই হায়গদবসিবো?

মুহম্মদ অথোইবা যোগীসু ওইখি।

ওশো রজনীশনা মতাং অমদা হায়খি, যোগগী মরীসি ইস্লাম, সিখ, জৈন, হিন্দুনচিংবা শিংগদা নত্তে। যীশু, মুহম্মদ, বুদ্ধ, মহাবীর মখোয়সিনা অচুম্ববু মশক খঙখ্রে, মদু যোগ য়াওদনা খঙখিবা নত্তে মরমদি অচুম্ববু শকখঙবদা যোগ য়াওদনা য়াদে। মুহম্মদ অল্লাহগী মায়কৈদগী থারকপা অথোইবা পৈগম্বর (ঋষি) অমা শোয়দনা ওইখি, লোয়ননা মহাক্লা তৌথোরকপশিংদগী মসিমসু শোয়দ্রে হায়বা খঙনৈ মদুদি মহাক তশেংনা য়াম্না হেন্না ৱাংবা যোগীসু ওইখি।

আষ্টাঙ্গ যোগ অমসুং মুহম্মদঃ– মহার্ষি পতঞ্জলিনা শেম্লম্বা যোগবু অষ্টাঙ্গ যোগ হায়বগী মরমদি মসিদা কয়াৎ নীপান য়াওবগীনি। মখোয়দুদি (১) য়ম, ৯২) নিয়ম, (৩) অসন (৪) প্রনায়াম, (৫) প্রত্যাহার, (৬) ধারনা, (৭) ধ্যান, (৮) সমার্ধি। হায়রিবা কয়াৎ নীপান অসিগী মশা কয়াৎ ময়াম অমসু লৈরি। হৌজিক যোগ হায়রগা খঙনরিবসিদি কয়াৎ অহুম খক্তনি–অসন, প্রানায়াম অমসুং ধ্যান।

যোগবু মশক তাক্লদুনা মহার্ষি পতঞ্জলিনা হায়রি– 'যোগশ্চিত্তবৃত্তিনিরোধঃ হায়বদি যোগনা পূক্নীংগী ঈথক ইপোমশিংবু লাকশিল্লি। পূক্নীং লাকশিন্নবগীদমক মহর্ষি পতঞ্জলিনা অষ্টাঙ্গ যোগ সাধনাগী মরমদা তাক্লম্লিবদু রসুলগী শেংলবা পুন্সিদা লোইনা ফংই।

(১) য়ম ঃ মসিদি খুনাইগী চৎনবীগা শাগোন্নৈ, হকচাংগী, ৱাহৈগী অমসুং পূক্নীংগী ওইবা লাকশিনবদা মসিগী য়ুম্ফম ওই। মসিগী মনুংদা অহিংসা (হায়বদি মশাগী ৱাঙাংনা, ৱাখলনা অদুগা থবক্লা কনা অমত্তদা অমাঙবা পীদবা), সত্য (হায়বদি ফিভম পূন্নমক্তা অচুম্বদগী লেঙদবা), অস্তেয় (হূরান্দবা), ব্রহ্মচর্য্য (পুক্নিংবু ব্রহ্মজ্ঞান্দা লেঙদনা থম্বা), অদুগা অপরিগ্রহ (দরকার লৈবগী হেন্না থমদবা হায়বদি অতোপ্পগী পোৎ পাম্বীদবা)– হায়রিবা মঙা অসি তাকলি। মখোয় অসিবু ঙাক্ত্রবদা মীদুগী পূন্সি অমসুং লমচৎ ফত্তবা ওই।

অহিংসাঃ নবী করীমনা মাগী ৱাহৈনা অদুগা মী লোয়নবনা কনা অমত্তগী মাঙনবা ওইখিদে। মশামক অহিংসা পামখি, খুদাগী খুৎশেমদা নুংশিখি। মহাক্কী মীনুংশিদু মীখক্তদা নত্তে, থোইদোক্লা মাগী অশোয়বদা লৈবা করিসু খঙদবা শানচিংবদসু ওইখি। মাগী থৌজাল হৈবসি অসুক্কী মতীক চাউখি মদুদি হৌদোং অমদা অৱাবা পীবা নুপা অমগী মতাংদা মহাক্লা তাকপিখি মদুদি নুপী অদু হৌদোংদুগী মরন্না নরক চৎকনি, মহাক্লা মসিবু পূল্লিবা অসুন্না মাবুসু থাদোক্তনা পূন্দুনা লৈবাক্তগী তীন কাঙ চাহনগনি। অবু ডাউদ শরীফতা য়াথং অমা য়াওরি মদু হজরতা অব্দুর্রহমন বিন অলদুল্লা দগীনি, মহাক্লা হায়রম্মী মদুদি মখোয় নোংমা নবীগা লোয়ননা লম চৎলম্মী। মতাং অমদা নবীনা হজরতকী দমক চখোকখ্রিঙৈদা মখোয়না মহুমদা মচা অনী য়াওবা উচেক মকোল অমা উখি। মখোয়না মদু ফারগা য়েংলিঙৈদা মমাদু লৈমায়দা থরো থরো ওল্লখি। তাঞ্জাদুদা রসূল লাকখি অদুগা উচেক মচাশিংদা কনানা অৱাবা পীবগে হায়না হংলখি। মচাশিংদু অহুমদা থমহনখি।

অরব অদুদা মীওইবগী হিংবগী হক মৎনদে, অরব অদুমক্তা রসূলনা শা–উচেকশিংগী হিংবগী হকসু থল্লদুনা মহাক্কী য়াথংদা থল্লম্মী মদুদি কনাগুম্বা মীনা করিগুম্বা মরাল অমগীদমক শেন্দাং অমোম অমা নৎত্রগা মদুদগী চাউখৎখ্রবা শা হাৎলবদি মীদুগী অরোইবা বিচারগী মতমদা (কয়ামত) মঙোন্দা করি মরমগীনো হায়না অল্লাহনা ৱাহং পাউহংগনি।

সত্যা– মহাক্কী মওং মতৌশিংদগী ৱাফম অসি শোয়দ্রে হায়বগী খুদম লৈ মদুদি মহাক্লা মহাক্কী পুন্সিদা অচুম্বদা লেঙদনা লৈ অমসুং করিগুম্বা মিহৌ কারাম্বনা মহাকপু অচুম্বগী লম্বীদগী খক থৈদোকহনখিদে।

অস্তেয়– মহাক্লা মথোং হুক্কমদ্রবা অরবতা লৈবশিংদা হূরানবগুম্বা মরাল তৌবদগী থিংবা অহানবা মীশক ওইখি অমসুং মদুগীদমক অকনবা দণ্ডি থমখি।

ব্রাহ্মচর্য্য– ব্রহ্মচর্য্যগী ৱাহম্লোক পূক্নীংবু ব্রহ্মদা লেঙদনা থম্ববু খঙই। রসূলনা মাগী ৱাখল, পূক্নীংবু মতম পূম্বা ঈশ্বরদা পুন্দুনা থমখি। খুদা (মপু) দা মহাক্কী পূক্নীং থম্বদু খক পোথাখিদে মদুদি অহিং অচীকপদা নৎত্রগা নুংথিলদা, ফমুংদগী হৌগৎপদা মাগী মমিং শোল্লি, বুজু (খুরুম্বা) তৌই অমসুং ইবাদতা (লাইনীংবা) তা লৈ। মহাক্তি পূন্সি চুপ্পা য়ুম্বানবগী থবক তৌদ্রবগুমখি, অদুগা অহিং চুপ্পা কয়ারক হন্না খুদাদা খুরুমজদুনা লেপ্তুনা লৈখি। বুখারী শরীফতা বীবী আয়শাগী ৱা হায়রি। মহাক্লা হায়রম্মী "ঐনা রসূলদা হংখি মদুদি হে অল্লাহগী পাউ পুবা। নহাকপু বিএগী নমাজ তৌদ্রিঙৈদা তুমখিব্রা?" মহাক্লা খুমখি, "হে আয়শা! ঐগী মীত্তি তূম্বনি অদুবু থম্মোইদি তুমদে।" অবু দাউদ শরীফকী লাইরিক্তা য়াওরি মদুদি হজরত আয়শাগী ৱানি মদুদি রসুলদি মতম পূন্নমক্তা, পূজা খুদিংদা, মীকুপ খুদিংদা লাইশোন শোন্দুননতা অদুম লৈবনি।

অপরিগ্রহ (দরকার লৈবদগী হেন্না পৈশিন্দবা অদুগা অতোপ্পগী পোৎ পান্বীদবা)–

খুদানা মহাকপু অপাম্বা খন্নবা হায়বদা, মহাক্লা পান্নবদি নিংথৌগুম পুন্সি লেনগেরা নৎত্রগা লম্বোইবা (ফকীর)গী পূন্সি লেনগেরা হায়বদা, মহাক্লা ফকীরগী পূন্সিদা লেল্লে, পামখ্রে অমসুং মদুদগী খুদান মঙোন্দা নবী ময়ামগী মরক্তগী অথোইবা ওইহনবীখি। মহাক্লা ফকীর ওইনা লেল্লি হায়বসি মসিদগীসু খঙবা ঙম্মী মদুদি ফত্তহ–মক্কা (মক্কাদা মায় পাকপা) হায়বদুগী মতুংদা অরবকী অয়াম্বা মীশিংদি ইস্লামগী তম্পাক্তা লাকখি, অদু ফাওবদসু মহাক্লা ফকীরগী পুন্সি মরেন্দা অদুম লৈখি। জুর্কানীনা ইরি মদুদি মাগী মশাদা নুংতিগী দিরহম মরিদগী হেন্না পীদবা ইন্নফি অমা ইল্লি। বীবী আয়শানা মহাক্কী মীগী মরল পামদবগী মতাংদা হায়খি, মদুদি মহাক্লা লম্থুম অহেনবা পৈশিন্দবসিদি কয়ারক হন্না চরা হেনখি, থা কয়া লৈরঙ মুৎখি, মাগীনি হায়বা খজুরগা ঈশিংগা নত্তনা করিসু লৈখিদে অদুবু মহাক্লা খুদাদা মসিগী ৱাকৎ অমত্তা লৈখিদে, মঙোন্দা পীরক্লিবা খরদুদা অদুম পেম্নোকখি।

(২) নিয়মঃ মসিগী মনুংদা মীওইবগী তৌফম থোকপা মথৌ তৌবদগী হৌরগা মশাগী ওইবা চৎলিবা নিয়মশিংদা খন্থবনি। মসিদা শৌচ (হায়বদি পূক্নীং অমসুং হকচাং শেংবা য়াওরি), সন্তোষ (অফংবদুদা পেম্নোকপা), তপ (মশাবু লাকশিন্দুনা থম্বা), স্বাধ্যায় (আত্মাবু খন্দুনা লৈবা), অদুগা ঈশ্বর প্রনিধান (হায়বদি ঈশ্বরদা অখাকপা লৈতনা কত্থোকপা) হায়রিবশিংসি পূন্না য়াওরি।

শৌচ – নবীনা মশা নানবগী হেন্দোক্লা হৈনবী অমা লৈখি, মহাক নুংসু শেংখি অদুগা মপাল শেংদবগীদমক অথিংবা থম্মী (মপালসু শেঙ্গদবনি হায়)। মশামক তরু তনাল্লি অদুগা অতোপ্পদসু লূ–নান্না লৈহন্নীংখি। মী অমনা অমোৎপা ফি শেৎপা মহাক্লা উরবদি ঈরু লুজনবা মহাক্লা য়াথং পী মদুদি মশা শেংদোকপা নত্তনা মফিদুসু শূদোক্লনবা। অসুন্না, নোংমা মহাক্লী মশম মনা ইফা ফাবা নুপা অমা উখি, মহাক্লা নুপাদুগী মশম মনা হাত্তোক্লবা করিগুম্বা অমত্তা (থাউ, শমজেৎনচিংবা) লৈত্রবা হায়না তাকপিখি। (অবু দাউদ)।

অরবকী সমাজ অমদা নবীনা লৈরুরিবা, সমাজ অদুগী মীশিংদা লূ–নান্না অমসুং অকোয়বগী ফিভম খঙজিনবিনবা হায়খি, মরমদি মীওইবগী হকচাং, বুদ্ধি অমসুং পূক্নীংদি মপাঙ্গল কন্না থন্ননবা অশেংবা অকোয়বা অমা শোয়দনা লৈগদবনি। ৱা অসিগী খ্বাইদগী ময়েক লারবা প্রমান হায়ববু নবীনা শঙ্গোম থক্লমদাইদা মহাক্লা বনু –সাদ কবীলেগী বীবী হলীমাবু পল্লদুনা, অরবকী শেংলবা অমসুং পূক্নীং নুংঙাইহল্লবা দোহা অদুনা অকোয়ববু শেংদোকহনবা ঙম্মী অমসুং মহাক্কী হকচাং ফনা থম্বা ঙম্মী।

*মখা মথং লৈবাকপোকপদা...*

মণিপুরীদা ঃ
ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা

## থাজবা

### ভুমা করিনো তাকপা

চান্দোগ্য উপানিষদতা হায়রি – ভুমাবু হাকথেংননা খংগদবনি। মথংদা উপানিষদনা ভুমা করিনো হায়না শন্দোক্লা তাক্লি। কোকলেন ঈশ্বরগী মঙ্গলগী মশক ওইবা গুনশিং থাগৎতুনা ফোংনা পুজা তৌববু ভুমা কৌই। ভুমাবু উরবা অমসুং তারবা করিগুম্বা অতোপ্পা অমত্তা উবা নৎত্রগা তাবা লৈত্রে। ভুমাবু খংলবদি অতৈ অতোপ্পা অমত্তা খংদ্রবগুম্বনি।

চিৎ অমসুং অচিৎকা ভুমাগা মান্নবদৌনা অর্থ হনবা য়াদে। চিৎ অমসুং অচিৎ ভুমাদগী তোংঙাল্লি অমসুং তোপ–তোপ্পনি। পূন্নমক্তা য়াওরিবা আত্মাদু ভুমানি। পূন্নমক্লা হিংনবগীদমক ভুমা চঙদবা য়াদে। ভগবানগী অচৌবগী মতৌ অসিদা করিগুম্বা অমত্তগী মতেং চংদে। মসি মতোমতা মরনাই হিংজবনি। অমরোমদা হায়রগা ভুমানা অতোপ্পা অমগী ঙাকলৌ মথৌ তাদে। মসি "স্বয়ং ভুমা"নি হায়না এম.কে. শ্রী নিবাসননা খন্ন– নৈনবা অমদা শন্দোক্লা তাকখিবনি। মসি মতোমতা অথোইবনি অমসুং অতোপ্পদা অথোইবগী গুন য়েম্নোকপনি।

উপনিষদনা অমুকসু হায়রি– ভুমাবু ধ্যান তৌবদা 'অহম' (ঐ) ওইনা তৌগদবনি। অদুবু ধ্যান তৌরিবসি মশাবু তৌরিবনি হায়নদি লৌরোইদবনি। মতাং অসিদা 'অহম' অসি জীবাত্মাবু খংনবা নত্তে। মসিনা খংনরিবদি – ঐখোয় খুদিংগী নুংদা য়াওরিবা (সেল্ফ) ঐ অদুবুনি, হায়বদি জীবাত্মানা ভগবানগী হকচাং ওইরগা মদুদা য়াওরিবা পরমাত্মাগী মশক অদুবুনি। "অহম" (ঐ) হায়বা ৱাহৈ অসি জীবাত্মাবু নত্তে, মরমদি ভুমাগী মরমদা ঙাংনরিঙৈদা, জীবাত্মানা ভুমা ওইবগী ৱাহং লাক্তে। ভুমাগী মগুনশিং জীবাত্মাদা য়াওদে। জীবাত্মা ভুমানা তৌবগুম পূন্নমকপু ঙাকলৌ (সপোর্ট) পীবা তৌদে। প্রান (থৱাই), অপাম্বা নিংশিংবা, অতিয়া (ইথর), মঙাল (তেজ), ঈশিং, চিঙ্গাক, পাঙ্গল, জ্ঞান, ৱাখল, ৱাশক (সংক্লপ), পুক্নিং, ৱাঙাং (স্পীচ) অমসুং মন্ত্র পূন্নমক কোকলেন মপু অদুদগী থোক্লকপনি।

চান্দোগ্য উপনিষদকী মতুং ইন্না উপাসনা (চৎন–লম্বী) অসি সন্যকুমারনা নারদদা তম্বীবনি অমসুং হায়রি– অসিগুমবা ধ্যান অসি অশেংবা থম্মোয়তদা ওইথোক্কনি মসি অশেংবা থম্মোয়না অশেংবা চীঙ্গাক চারগা ফংগনি। অশেংবা থম্মোয়না অপংবগী মায়খুম হাংদোকপা ঙমই অমসুং ধ্যানগী পাম্বৈনা কোকলেন মপু মহাকপু খংবা ঙমই।

**কর্টেসিঃ ডি হিন্দু ,**
**মণিপুরীদা– বি এ শর্ম্মা**